বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# এফ কে স্লুটস্কনা বেলসিনা বোব্রুক্সপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে, জোদিনো অমসুং রু ব্রেষ্ট দ্রো চৎখ্রে



মিন্সক, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): যুরোপতা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈনা লৈনা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক ওইরিবা বেলারসতা লৈবাক অদুগী প্রেমিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দদা এফ কে স্লুটস্কনা বেলসিনা বোব্রুক্সপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা টোর্পিদো জোদিনো অমসুং এফ সী রু ব্রেষ্ট পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

এফ কে স্লুটস্ক বেলারসিয়ন প্রেমির লীগ অসিগী রাউন্দ ৫ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১০ ফংদুনা ক্লব ১৬না লম্বা তৌনরিবা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাবা ঙমখি। অমরোমদা টিম অসিগা ঙসি লম্বা তৌখিবা বেলসিনা বোব্রুক্স মেচ ৫ শান্নবদা অমত্তা মায় পাক্তনা মেচ ১ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৪ মায়থীদুনা পোইন্ট অমখক ফংলগা টেবলগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা অশোনবা টিম অমা ওইরিবা বেলসিনা বোব্রুক্সকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা হাফকী হৌরকপদা এফ কে স্লুটস্ককী মায়কৈদগী বোল পায়বগী চাংদি খরা হেনখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা চথরখিবা এটেক অমদা অর্টেম সর্দ্যুকনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট উমর বালা মহমদনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা একাউন্ট হাংবা মখোয়না বেলসিনাদগী হানখি।

মখা তানা বেলসিনা বোব্রুক্সনা ইক্কেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু টিম অদুগী ষ্টাইকর এফ কে স্লুটস্কগী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোকপা ঙমখিদে। ৩৫শুবা মিনটতা এফ কে স্লুটস্ককী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবা অর্টেম সর্দ্যুকনা ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা মাংজিল থাখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট অমখক্তা ঙাইরবা মতমদা বেলসিনা বোব্রুক্সকী মায়কৈদগী ইবজেনি স্কোল্লিকোবনা পীরকপা বোল অমদা রিয়োনিদ কোবেলনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈদা বেলসিনা বোব্রুস্ককী পাবেল ব্রোদুকোবনা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মেচকী ৮৮শুবা মিনটতা এফ কে স্লুটস্ককী উমর বালানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-২দা থোইখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা টোর্পিনো জোর্দিনো অমসুং রু ব্রেষ্ট পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FK Slutsk | 6 | 4 | 1 | 1 | 12 | 8 | +4 | 13 |
| 2 | Torpedo-Zhodino | 6 | 3 | 2 | 1 | 4 | 2 | +2 | 11 |
| 3 | BATE Borisov | 6 | 3 | 1 | 2 | 8 | 5 | +3 | 10 |
| 4 | FK Vitebsk | 5 | 3 | 1 | 1 | 4 | 3 | +1 | 10 |
| 5 | Dinamo Minsk | 6 | 3 | 0 | 3 | 9 | 6 | +3 | 9 |
| 6 | Isloch Minsk Raion | 5 | 3 | 0 | 2 | 7 | 7 | 0 | 9 |
| 7 | Minsk | 6 | 3 | 0 | 3 | 9 | 10 | −1 | 9 |
| 8 | Energetik-BGU | 6 | 3 | 0 | 3 | 6 | 7 | -1 | 9 |
| 9 | Gorodeya | 6 | 3 | 0 | 3 | 3 | 5 | -2 | 9 |
| 10 | Neman Grodno | 6 | 2 | 2 | 2 | 6 | 4 | +2 | 8 |
| 11 | Shakhtyor Soligorsk | 6 | 2 | 2 | 2 | 5 | 3 | 2 | 8 |
| 12 | FC Ruh Brest | 6 | 2 | 1 | 3 | 6 | 7 | -1 | 7 |
| 13 | Slavia Mozyr | 6 | 2 | 1 | 3 | 7 | 10 | −3 | 7 |
| 14 | Dynamo Brest | 6 | 2 | 1 | 3 | 6 | 7 | -1 | 7 |
| 15 | FC Smolevichi | 6 | 0 | 3 | 3 | 3 | 7 | −4 | 3 |
| 16 | Belshina Bobruisk | 6 | 0 | 2 | 4 | 5 | 10 | −5 | 2 |

টাজিকিস্তান হায়র লীগ ২০২০

# খাটলোননা লোকোমেটিব পামিরবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে, দুসানবে-৮৩ অমসুং খুজান্দসু মায় পাকখ্রে



দুসানবে, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): এপ্রিল ৫দগী হৌরকখিবা টাজিকিস্তান হায়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা খাটলোননা লোকোমোটিব পামিরবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অনীদা দুসানবে-৮৩না সী এস কে এ পামিরবু পাঞ্জল ২-১দা অদুগা খুজান্দনা রেগর-টাদএজেদপু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

লীগ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা রাউন্দ অহুমদা খাটলোনগী টিম অনী মায় পাক্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা লৈখিবনি। অমরোমদা লোকোমোটিব পামির মেচ ১ মায় পাক্লগা মেচ ১ দ্রো চৎলগা ১ মায়থীখিবনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাটলোনগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখি। টিম অদুগী এক্স উজেকোবনা ৩০শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ৮ লৈরগা উজোকোবনা অমুক্কা হন্না ৩৮শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা লোকোমোটিব পামিরবু মাংজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা লোকোমোটিবকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। ৫৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী এ খসানোবনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু ইক্কেলাইজর অদু ফংবা ঙমদ্রিঙৈ মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা খাটলোনগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনখিবা এক্স উজোকোবনা মহাক্কী হেটট্রিক চন্দুনা মখোয়না লোকোমোটিব পামিরবু মখা তানা পাঞ্জল ৩-১দা মাংজিল থাখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৮দা ঙাইরকপা মতমদা লোকোমোটিব পামিরগী এস সুলেমোনোবনা পাঞ্জল অমা চনখি। মখোয় ইক্কেলাইজর ফংবা ঙমদনা ২-৩দা মায়থীহৌখি। মায় পাকপা অসিনা খাটলোন রাউন্দ ৪ লোইশিল্লকপদা ষ্টিকলোলগা পোইন্ট ১০/১০ ফংলগা লৈরবসু গোল দিফরেন্সতা ষ্টিকলোলনা হেনবদগী ২শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ভদাট সিটিদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা দুসানবে-৮৩না সী এস কে পামিরগা লম্বা তৌনখি। মেচকী শুপ্নগী ৮শুবা মিনটতা দুসানবে-৮৩গী মায়কৈদগী কে ফেজুলোবনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদে। অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং ৮৪শুবা মিনটতা দুসেনবে-৮৩গী ফেজুলোবনা পাঞ্জল অমগা চনখি। অদুবু শান্নবগী ৮৮শুবা মিনটতা সী এস কে এগী বোবিবনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখি।

খুজান্দ সিটিদা য়ুম্বু খুজান্দ এফ সীগা রেগর-টাদএজেদকা লম্বা তৌনবদা খুজান্দনা রেগর-টাদএজেদপু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী পাঞ্জল অহুম্মক অহানবা হাফতা চনবা ঙমখিবনি। খুজান্দগী টিম মায় পাকপা অদুনা পোইন্ট টেবলদা ৪শুবদা হায়গৎপা ঙমখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Istiklol | 4 | 3 | 1 | 0 | 17 | 3 | +14 | 10 |
| 2 | Khatlon | 4 | 3 | 1 | 0 | 10 | 7 | +3 | 10 |
| 3 | Fayzkand | 4 | 2 | 2 | 0 | 7 | 5 | +2 | 8 |
| 4 | FK Khujand | 4 | 2 | 1 | 1 | 8 | 6 | +2 | 7 |
| 5 | Kuktosh | 4 | 1 | 2 | 1 | 5 | 7 | -2 | 5 |
| 6 | Locomotiv-Pamir | 4 | 1 | 1 | 2 | 6 | 8 | -2 | 4 |
| 7 | Regar-TadAZ | 4 | 1 | 1 | 2 | 7 | 6 | +1 | 4 |
| 8 | Dushanbe-83 | 4 | 1 | 1 | 2 | 2 | 9 | -7 | 4 |
| 9 | CSKA Pamir | 4 | 1 | 0 | 3 | 5 | 8 | -3 | 3 |
| 10 | Istaravshan | 4 | 0 | 0 | 4 | 3 | 11 | -8 | 0 |

# চাইনাগী দিং লিরেননা নেদর্লেন্দসকী অনিস গিরি টাইব্রেক্তা থোইখ্রে, য়ু এসকী নকামুরানা রসিয়াগী নেপোমনিয়চিবু মায়থীবা পীখ্রে

Magnus Carlsen INVITATIONAL Online Chess Tournament






ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): নুপা চেছকী লমদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইবতা নত্তনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইরিবা নোর্ৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেচতা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর দিং লিরেননা নেদর্লেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিবু টাইব্রেক্তা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরানা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিবু থোইবা ঙমখ্রে।

দিং লিরেন অমসুং অনিস গিরিগী ৮শুবা রাউন্দ অদুদা লিরেননা অঙৌবা মচু পায়দুনা অহানবা গেম শান্নখি, গেম অদু দ্রো চৎখি। অনীশুবা গেমদা অনিস গিরিনা অঙৌবা মচু পায়রবসু দিং লিরেননা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট হেনখি। অদুবু অহুমশুবা গেমদা লিরেন অঙৌবা মচু পায়রবসু অনিস গিরিগী মখুৎতা মায়থীদুনা শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট ১.৫-১.৫দা মান্নদুনা লৈখি। ৪শুবা গেম অদু শান্নরোয় অনীমক য়াম্না কন্না লাম্বা তৌনরকখি। অনিস গিরিনা অঙৌবা মচু পায়রবসু খুদোংচাবা লৌবা ঙমদবদগী গেম অদু দ্রো চৎতুনা টুর্নামেন্ট অসিগী কাংলোনগী মতুংইন্না টাইব্রেক্টতা অর্মাগেদন ফোর্মেট শান্নখি। মদুদা দিং লিরেননা অমুবা মচু পায়দুনা শান্নরকপদা দ্রো চৎতুনা মহাক্না মেচ অদু থোইখি।

অতোপ্পা ৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরা অমসুং রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচি লম্বা তৌনখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না মকোক থোংবা গ্রান্দমাষ্টর ৮না দবল রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা লম্বা তৌনরকপনি। শান্নরোয়শিংনা অমগা অমগা অনীরক লম্বা তৌনগনি। রাউন্দ অমদা শান্নগদৌরিবা গ্রান্দমাষ্টর অনীনা গেম ৪ শান্নগনি।

গ্রান্দমাষ্টর নকামুরানা অঙৌবা মচু পায়দুনা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর নেপোমনিয়াচিবু এটেক চথদুনা শান্নবা হৌরকপদা ফজবদগী মায় পাকপা ঙমখি। অনীশুবা গেম নেপোমনিয়াচিনা অঙৌবা মচু পায়জরবসু দ্রো চৎখি। অহুমশুবা গেমদা নকামুরানা অঙৌবা মচু পায়রগা পোইন্ট ১.৫-০.৫তা হেন্দুনা লৈবা মরম্না রিস্ক লৌদুনা গেম অদু দ্রো চৎপদা য়ান্নখি। মরিশুবা অমদি অরোইবা গেমদা নেপোমনিয়াচিনা মায় পাক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু য়ু এস কী নকামুরানা মহাক্কী দিফেন্স অদু ফজ খিবদগী দ্রো চৎখি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা এন বি এগী ফেসিলিটিশিং ইরাই নুমিৎতগী অমুক হন্না হাংদোক্লবা থবক পায়খৎখ্রে



মিয়ামি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা লৈবাক অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা শান্ন-খোৎনবগী হিরম খুদিংমক অথিংবা থুমলুরবা মতুং নেসনল বাস্কেটবোল এসোসিএসন (এন বি এ)গী তোঙান-তোঙানবা ট্রেনিং ফেসিলিটি মফমশিং অদু ইরাই নুমিৎতগী হাংদোক্লবা থবক লৌখৎলে হায়খ্রে।

ঙসি ফাওবদা য়ু এস এদা মীওই ৯,৭০,৩৫২ লায়না-লাইচৎ অসিনা শোকহনখ্রে। লোয়ননা মীওই ৫৪,৯১২ লায়না অসিনা শীহনখ্রবনি। অদুগা লায়না অসিদগী ফগৎলকপনা মীওই ১,১৮,৬৩৩ শুখ্রে।

মরক অসিদা বাস্কেটবোল লীগ অসিগী মায়কৈদগী হৌরকপা ৱারেপ অদুদা মনুং হুৎনা খঙবা মীওই অমনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোরকপদা, ৱারেপ অদু মীয়ামদা ওফিসল ওইনা থাদোক্তবা মরম্না মশক মমিং খঙহন্দনা ফোঙদোরকখিবদা বাস্কেটবেলগী ট্রেনিং ফেসিলিটি অদুদা শান্নরোয়শিংনা ইন্টিভিজ্যুল ওইনা ট্রেনিং অমদি ৱার্কআউটশিং তৌবা য়াগনি হায়রি। অদুবু শান্নরোয় মশিং য়াম্না পুনশিল্লগা ট্রেনিং চথবগী থবক অদু য়াখিরোই হায়রি।

য়ু এস এ লৈবাক্কী ওইনা জোর্জিয়া অমসুং ওক্লাহোমা ষ্টেটতা অথিংবা থল্লম্বশিং অদু হাংদোক্তুনা হান্নগুম্বা বিজিনেস চথবা খরা য়াহনবা লৈখ্রে। অমরোমদা ফ্লোরিদা ষ্টেটকী সিটি খরদা য়ুমদগী মপান থোক্তবগী পোলিসি অদু লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা খরা কোমথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ময়ুমদা লৈরগা ট্রেনিং চথনবা ওর্দর ফংলিবা শান্নরোয়শিংদি এন বি এগী ট্রেনিং ফেসিলিটিশিংদা লাকপা য়াখিরোই হায়রি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়নাদগী ফরবা মীওইশিং অমুক হন্না নারক্লোই হায়বগী খুদম চাংদম লৈত্রি। সাউথ কোরিয়াদা লায়না অসিদগী ফরুরবা মীওই নৌনা অমুক লায়না অসি টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইবগ পাউ লৈখ্রবনি। এন বি এগী মায়কৈদগী সেন্টরশিংদা ইন্দিভিজ্যুল প্রেক্টিস তৌবা য়ানবা হোৎনরিবা অসি ষ্টেটশিংদা অয়াবা পীরবা মতমদা ওইগদবনি হায়রি।

# বোক্সিংগী গোল্ড মেদলিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কু মহাক্কী অনাবা লায়েংনবগীদমক স্পাইস জেটকী এয়র এম্ব্যুলেন্সতা ন্যু দিল্লি য়ৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): এসিয়ন গেমস ১৯৯৮ বেঙ্কোক্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমা ওইনা মতম শাংনা গোল্ড মেদল ফংলুদ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারিদা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখিবা বোক্সর ঙাঙোম দিঙ্কু মহাক্কী লীভর অনাবা অদু লায়েংনবা ঙরাং নুংথিল পুং ৬.১৫দা অখন্নবা স্পাইস জেটকী এয়র এম্ব্যুলেন্স অমদা ইম্ফালদগী দিল্লি য়ৌখিবনি।

কুমজা ১৯৯৮তা এসিয়ন গেমসকী বেন্টম ৱেথতা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং চহী অদুমক্তদা ঙাঙোম দিঙ্কুদা লৈবাক্কী শান্নবগী দিসিপ্লিন অমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মনা আর্জুন এৱার্দ খুদোল তমখি। লোয়ননা ঙাঙোম দিঙ্কুদা কুমজা ২০১৩দা পদ্মশ্রি এৱার্দসু খুৎশিন্নখি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কোচ অমা ওইরিবা ঙাঙোম দিঙ্কু লিভর কেন্সর নারকপদগী লায়েংদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী লায়েংবা অদু ইম্ফালদা য়াদবা মরম্না ন্যু দিল্লিদা মমাঙদগীসু মতম মতমগী ওইনা লায়েংদুনা লাকখিবনি। লোকদাউন লৌখিবদগী মহাক্কী এপোন্টমেন্ট অদু ফ্লাইট কেন্সেল তৌবা মরম্না চেক-অপ চৎকদবা মতম হেন্দোকখ্রবনি। তাঙ্কক অদুদা দিঙ্কুনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রীদা মহাক্কী অনা লায়েংগীদমক মতেং পীবিয়ু হায়রকপদগী কিরেন রিজিজুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ৱারী শান্নরকপা লৈখি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা বোক্সরশিং অমদি মণিপুরগী সী এম য়াওনা শেলগী মতেং পাঙনরকখি। বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা স্পাইস জেটকী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর ওইরবা মরম্না মশাগী চহী ৪১শুরবা দিঙ্কুগীদমক্তা এয়র এম্ব্যুলেন্স অমা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলদুনা দিল্লি ফাওবা লেম্না পুখি।

# ট্রুগপুনা পুলিস, মিদিয়া অমদি ক্লবকী মীওইশিংদা মাক্স য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লোকদাউন মনুংদা মীয়ামগীদমক্তা অকনবা থৌদাং লৌরিবা নম্বোল এরিয়াগী ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিং, মীয়ামদা চানা থক্লবা য়েল্লিবা ক্লবকী থৌমীশিং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা থবক তৌরিবা মিদিয়াগী মীওইশিংদা টিদ্দিম রোদ য়ুনিক গামি প্লেয়র্স য়ুনিয়ন (ট্রুগপু)গী মায়কৈদগী সর্জিকেল মাক্সশিং য়েন্থোকখ্রে।

নম্বোল সাবল লৈকায়দা মাক্স য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী পার্সনেলশিং ৱারোইচীং ভি দি এফ পোষ্টকী পার্সনেলশিং, নম্বোল অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ অমদি অতৈ ক্লব ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিংদা মখোয়না লোকদাউন মতুংদা থবক তৌবা মতমদা মতেং ওইননবা সার্জিকেল মাক্সশিং অদু য়েন্থোকপনি হায়না ট্রুগপুগী সেক্রেটরি সী ঐচ ওজিৎনা প্রেসতা পীরকপা চেরেল অমনা খঙহল্লক্লি।

মাক্সশিং অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তা মথৌ তৌরিবা মিদিয়াগী পার্সনেলশিংদসু মখোয়না মীয়ামদা অসিগুম্বা পাউ পীনবগীদমক চথোক চৎশিন তৌবা মতমদা মতেং ওইননবা মাক্সশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

HOME DELIVERY SERVICE FOR CONST. MATERIALS

/ HOUSING LOAN AVAILABLE

(Upto Rs 50 LAKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402 # 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd. Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West, Manipur

HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com